## থাংজম বোরিস অমসুং খুমন্থেম নিঙ্থোইঙানবা মীতৈ তরাম্না ওকখ্রে

# লমদমসিদগী ইন্টরনেস্নেল থাক্কী শান্নরোয় হেন্না পুথোক্নবা হোৎনমিন্নসি : খুমুকচম জয়কিষন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপগী ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখিবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৮ গী মনুংদা থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা থাংজম বোরিস অমসুং খুমন্থেম নিঙ্থোইঙানবা মীতৈ ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

থাংমৈবন্দ কেন্দ্র ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টাকদো) না শিল্লগা বোরিস অমসুং নিঙ্থোইঙানবা ওকপগী খুয়াথোং কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়ন টিমদা মণিপুরী মচা ৮ য়াওবা ঙম্বা অসি অপেনবা অমসুং নুংঙাইবা ফাওই। মীওই ক্রোর কয়া লৈরিবা ইন্দিয়াগী পিল্লবা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোয় ৮ ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াবা ফংবা অসি মণিপুরগী ওইনা চাউথোকচনিঙাইনি। মণিপুরবু পাৱর হাউসনি হায়বসি শান্নরোয় ৮ অসিনা অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংনা তাক্লে।




স্পোর্টসকী লমদা মণিপুরনা লৈবাক অসিদা চাউরবা ফিদা অমা মতম চুপ্পদা কন্দুনা লৈরি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অসিগী হোৎনজমলগী মহয়না মখোয় ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবা ঙম্বনি খল্লি। শান্নরোয়শিং অসিনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ফুটবোলগী লমদা মালেমগী মমিং লৈরবা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংগা চাংদম্নবা ঙম্লি। মসিমক লমদম অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি। লৈঙাক্লা তৌরকপা তৌরক্তবা থিদনা পূম্নমক্না মীকপ থোক্লগা অফবা শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংদুনা মালেমগী থাক্তা মমিং চৎপা শান্নরোয় অমমম ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। ক্লবশিংনসু মাগী মাগী লৈকাইদা লৈবা অফবা শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংবীদুনা শান্নরোয়শিং অদুবু মালেমগী থাক্তা মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনহনসি। ক্লবশিং অমদি মীয়াম্না লমদমসিদগী ইন্টরনেস্নেল থাক্কী শান্নরোয় হান্নদগী হেন্না পুথোক্নবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ইন্টরনেস্নেল থাক্কী শান্নরোয় অফাওবা কয়া পুথোক্নবা হোৎনবদা ঐহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবা থাংজম বোরিস অমসুং খুমন্থেম নিংথেমদসু এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা শেলগী মতেং ওইনা লূপা লীশিং ৪০/৪০ খূৎশিন্নখি। ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননসু এম এল এ জয়কিষননা শান্নরোয় অনীসিগী পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী মতেং লূপা লীশিং ১০/১০ খূৎশিন্নবা লৈখ্রবনি।

বোরিস অমসুং নিঙ্থোইঙানবা ওকপগী থৌরম অদুদা টাকদোগী থৌপুবশিং অমসুং আই এম সীগী ডেপ্যুটি ওপোজিসন লীদর গাইদোন গাংমৈ অমদি থাংমৈবন্দ এ সীগী মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## পুৱারী শেমখিবা থৌনাওজম জিক্সন অমসুং ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কিয়াম অমরজিৎ তরাম্না ওকখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ১৭ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চন্দুনা পুৱারী শেমখিবা থৌনাওজম জিক্সন অমসুং অন্দর-১৭ ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন কিয়াম অমরজিৎপু ঙসি মখোয়না পিল্লিখৈদা মহৈ তম্লকখিবা থৌবাল ওক্রমদা লৈবা পেরদাইজ ইংলিস স্কুলদা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিক্সনগী ময়াম্বা ফুটবোলগী শান্নরোয় জেনিকচান অমদি কোলকটাদা লৈবা ভাইরব গাংগুলি কোলেজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা নেসনেল সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র জিৎ-কুন-দো চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ তা কেজি ৫৯ গী কেটিগরিদা গোল লৌরকখিবা এ রিশিকান্তসু তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

থৌবাল ওক্রমদা লৈবা পেরদাইজ ইংলিস স্কুলদা শান্নরোয় মরিবু তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখিবা থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ফাউন্দর কম প্রিন্সিপাল এন রঞ্জিৎ, প্রসিদেন্ট এল অচৌ, স্কুলগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিং অমদি স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা শান্নরোয় মরিদা স্কুল অসিগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলসু তমদুনা শান্নরোয়শিং অসিনা লমদম অসিগী মীংচৎ হেন্না পুরকপা ঙম্বা ওইসনু হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীখি।



থৌরমদুদা অন্দর-১৭ ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন কিয়াম অমরজিৎনা হায়খি, ঐখোয় ইশা-ইশানা পামজবা লম্বীদুদা লাইৱ-ইনাকখুনবা হায়বা থিদনা পুক্লিং হকচাং য়াওনা মায় পাক্লনবা কন্না হোৎনবা চঙই। ঐখোয়গী লৈজরিবা খরা অসিদা পেন্থোক্তুনা নীংহন্নবা লৈতনা অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা হোৎনবা পামই। শান্নরোয় অমা ওইনা থকসি-খাসি হায়বদি থক-খা খঙনা চৎপা হায়বসি য়াম্ন মক মরুওই। তুংদসু লমদমসিগী মীংচৎ পুরক্লবগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চনখিবা থৌনাওজম জিক্সননা হায়খি, শান্নরোয় অমা ওইনা প্রেক্টিস তৌবা মতমদা লাইরিক তম্লিবনি খন্না থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবা তঙাইফদে। মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইনবগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ দা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ওইখিবা কিয়াম অমরজিৎ অমসুং ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙায়রবা গোল চনখিবা জিক্সন থৌনাওজমবু মখোয়না ফুটবোল একাদেমী চঙদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবা মহৈ তম্লম্বা থৌবালগী হাওখা মমাঙদা লৈবা অসেম গোজেন্দ্রো মেমোরিয়েল ইংলিস হাই স্কুলনসু ঙসি তরাম্না ওকখ্রে। অসেম গোজেন্দ্রো ইংলিস হাই স্কুলগী হোলদা জিক্সন অমসুং অমরজিৎ ওকপগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কুলগী দোনর অসেম কিশোরকুমার, এদমিনিষ্ট্রেটর ডা. একে আশাকুমার অমসুং স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর নোংথোম্বম শ্যামনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। স্কুল অসিগী শান্নরোয় অনী অসিনা মতুং তারকপদসু হেন্না মায় পাকপা পুরক্লবগীদমক তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিখি। লোয়ননা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংদসু শান্নরোয় অনী অসিগা ইন্টরেক্সন তৌখি হায়রি।

## ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী গোলকীপ্পর ওইখিবা মোইরাংথেম ধিরজ তরাম্না ওকখ্রে



মোইরাং, ওক্টোবর ১৭ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী গোলকীপ্পর ওইখিবা মণিপুরদগী মোইরাংথেম ধিরজ তরাম্না ওকখ্রে।

ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) না শিন্দুনা মোইরাং ফাইরেম্বম মাগুপতা পাঙথোকখিবা মোইরাংথেম ধিরজবু ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা অমোফা মোইরাংগী প্রসিদেন্টকী থৌসু পুরিবা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পুখ্রম্বম শরতচন্দ্রনা হায়খি, মালেমগী থাক্তা ফুটবোলগী শক্নাইরবা শান্নরোয় অমা মোইরাংনা ফংজবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি। ঐখোয় পূম্নমক্না অসিগুম্লবা শান্নরোয় অসিগীদমক অঙম্বা মতেং পাংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী অফবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনহনবদা হেন্না মায় পাক্লনবা হোৎনফম থোকই।

ফুটবোল মশান্না অসিদা ধিরজনা ঙসি য়ৌরক্লিবা থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা মহাকপু তাকপী তম্বীরকখিবা ওজাশিং, মহাক্কী অপোকপা অপোকপী, লোকেল গার্দিয়নশিং অমদি মহাকপু পুক্লিং থৌগৎলকখিবা পূম্নমক্না লৌখিবা থৌদাংশিং অদু ঐখোয়না ইকায়খুম্নবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা ধিরজনা মিংশেল ওইরগা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনসু মহাক্কী তুংইন্নদুনা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্নবা হোৎনহনসি। ঐখোয় পূম্নমক্নসু থৌনা হাপ্তুনা মহাকপু মালেমগী থাক্তা হেন্না মায় পাক্না শান্নবা ঙম্নবা অমদি লমদমসিদগী মালেমগী থাক্তা অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্নবা ঐখোয় খূদিংমক্না মাঙলোমদা চঙশিনফম থোকই হায়নসু এম এল এ শরতনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শান্নরোয় অসিবু পুক্লিং থৌগৎলদুনা তেংবাং ওইনা লূপা লীশিং ৫০ গী শেনফম অমসু এম এল এ কে শরতনা ধিরজ মোইরাংথেমদা খূৎশিন্নখি। মসিদসু নত্তনা থৌরমদুদা স্পেসল ইনভাইটী ওইনা শরুক য়াখিবা সোসল ৱার্কর হেমাম তোম্বোই সিংহনসু ধিরজদা লূপা লীশিং ১০গী শেনফম তেংবাং ওইনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন মাইরেম্বম ওংবী রোমিবলা, কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিলরশিংসু শরুক য়াদুনা ধিরজবু পুক্লিং থৌগৎখি। অমোফা মোইরাংগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম রাজনা লূচিংবা মেম্বরশিংনসু ক্লব অসিগী মতম অমদা শান্নরোয় ওইরম্বা ধিরাজনা মালেমগী থাক্কী শান্নরোয় অমা ওইরকপদা হায়নিঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মহাক্কুম্বা শান্নরোয় কয়া অমা মহাক্কী মতুং ইল্লকখিগনি হায়না থাজবা থম্বগা লোয়ননা ক্লব অসিনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ধিরজগী অহানবা কোচ ওইখিবা ফাইরেম্বম সুরেন্দ্রো (ইঙোবা)বুসু অমোফাগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থৌরমদুদা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ : ইরান, স্পেন, ইংলেন্দ, মালি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, জপান অমসুং ফ্রান্স লৈহৌরে


কেলকত্তা/গোৱা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌখিবা ওক্টোবর ৬তগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটি তরুক্তা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী লাষ্ট সিক্সটিনগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা চাউনা মায় পাক্তুনা ইরান, স্পেন, ইংলেন্দ অমসুং মালি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা মেক্সিকো, ফ্রান্স, জপান অমসুং ইরাক লৈহৌরে।




লাষ্ট সিক্সটিনগী ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ৫ তাবদা গোৱাদা ইরান অমসুং মেক্সিকো শান্নখি। মেচ অদুদা ইরাননা মেক্সিকোবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীরমখি। ইরানগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোহম্মদ সরিফিনা মেচকী ৭ শুবা মিনিট অমসং অলায়র সয়দনা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা মেক্সিকোগী গোল অদুনা রোবর্টো দি লা রোসানা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অসিদা মায় পাক্লদুনা ইরান ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

গুৱাহাটিদা ঙসি নুমিদাং পূং ৫ তাবদগী ফ্রান্স অমসুং স্পেন শান্নখি। মেচ অদুদা স্পেননা ফ্রান্সপু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। অহানবা হাফকী ৩৪ শুবা মিনিটতা ফ্রান্সকী পিন্টোরনা গোল অমা চনখি। পিন্টোরনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু হৌরকপদা ফ্রান্সনা মাঙজিল থাখিবনি। অদুমকপু অহানবা হাফ লোইরমদাই মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা মেক্সিকোগী মিরান্দানা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-১ দা লৈহনখি। অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্ননবা অকনবা এটেক চথুনখি। মেচকী অরোইবা মিনিটতা অবেন রুইজনা গোল অমা চনখিবদগী মেচ অদু মেক্সিকোনা গোল ২-১ দা মায় পাকপা ঙমখি।





নোকআউট ষ্টেজগী ওইনা নুমিদাং পূং ৮ তাবদা ইংলেন্দ অমসুং জপান কোলকত্তাদা শান্নখি। মেচ অদুদা ইংলেন্দনা জপানবু পেনাল্টি সুটআউটতা গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা মালি অমসুং ইরাকনা ঙসি নুমিদাং পূং ৮ তাবদগী গোৱাদা শান্নখি। মেচ অদুদা মালিনা ইরাকপু গোল ৫-১ দা চাউনা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। মালিনা অমসুং ইরাকনা শান্নখিবা মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মালিগী মায় পাকপগী গোল মঙা অদু ঐচ দ্রামেনা মেচকী ২৫ শুবা গোল ১, এনদিয়াইয়িনা মেচকী ৩০ শুবা অমসুং ৯০ প্লস ফোর চৎপা মিনিটতা গোল ২, এফ কোনাটেনা মেচকী ৭৭ শুবা মিনিট অমসুং এস কমরানা মেচকী ৮৭ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা ইরাককী অমতা ঙাইরবা গোল অদুনা এ করিমনা মেচকী ৮৫ শুবা মিনিটতা চনখি। গ্রুপ ষ্টেজতা ফজবা পর্ফোমেন্স পীখ্রবসু নোকআউট ষ্টেজদা মায়থীবদগী ইরাক ৱর্ল্ড কপতগী মপান থোকখ্রে।

| WEDNESDAY 18 OCTOBER | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| Dr. DY Patil Stadium Navi Mumbai | GHANA | 17:00 | NIGER | |
| Jawaharlal Nehru International Stadium Kochi | BRAZIL | 20:00 | HONDURAS | |

## অন্দর-১৫গী অহুমশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# টি ঐচ এ এস সী ও, এল বি এফ সী, পি আই সী অমসুং ঈ সী ঐচ ও সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ১৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরগী মিৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা চথুরিবা অন্দর-১৫গী অহুমশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী লীগ রাউন্দগী মেচশিং ঙসি লোইশিনখ্রে। টি ঐচ এ এস সী ও খাখুনৌ, এল বি এফ সী লোক্তাক বৃগেদ বিষ্ণুপুর, পি আই সী মোইরাং অমসুং ঈ সী ঐচ ও বিষ্ণুপুর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথুরিবা অন্দর-১৫গী অহুমশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল টি ঐচ এ এস সী ও অমসুং এল বি এফ সী শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৯ গী নুংথিল পূং ২.৩০ তাবা মতমদা পি আই সী অমসুং ঈ সী ঐচ ও শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লক্লবা টিমশিং অদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২২ দা ফাইনেল শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ২.৩০ তাবদগী টি ৱাই টি এ তৌবুল অমসুং ঈ সী ঐচ ও (ঈকো) বিষ্ণুপুর শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈদা গোল চন্নবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না গোল চন্নবগীদমক অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অহানবা হাফতা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নদুনা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী টি ৱাই ডি এ অমসুং ঈ সী ঐচ ও গোল ০-০ দা দ্রো চৎখি। মেচ অদুদা মায় পাকহৌদ্রবসু দ্রো চৎখিবনা ঈ সী ঐচ ও বিষ্ণুপুর সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। মেচ অদুদা টি ৱাই ডি এগী মোরিনসন মেচ রেফ্রিনা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়রগীদমক কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙলকখিবা ঈ সী ঐচ ও অমসুং টি ঐচ এ এস সী ও গ্রুপ এদগীনি অদুগা পি আই সী অমসুং এল বি এফ সীনা গ্রুপ বিদগীনি।

## এ প্রটাপ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল মেন’স টুর্নামেন্ট

# প্রসিদেন্সি কোলেজ অমসুং মোইরাং কোলেজ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কন্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা রিজনেল কোলেজ লিলোং চজিংনা শিন্দুনা লিলোং চজিংগী কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা এ প্রটাপ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল মেন’স টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা প্রসিদেন্সি কোলেজ অমসুং মোইরাং কোলেজ মায় পাকখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২৫না শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ১.৩৫ তাবদগী মোইরাং কোলেজ অমসুং নম্বোল এল সানোই কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৮ শুবা মিনিটতা নম্বোল এল সানোই কোলেজগী জর্সি নম্বর ১৩ এল দেবনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা অমুক কোলেজ অসিমক্কী জর্সি নম্বর ৭ পি হিটলরনা গোল অমগা চনখি। দেব অমসুং হিটলরনা চনখিবা গোলশিং অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নম্বোল এল সানোই কোলেজনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা মোইরাং কোলেজগী জর্সি নম্বর ৭ প্রেমচান্দনা গোল ১ হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২ দা লৈহনখি। ঙাইহাক লৈরগা অমুক মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা মোইরাং কোলেজগী জর্সি নম্বর ২০ ঙম্পুনা নম্বোল এল সানোই কোলেজগী অনীশুবা গোল অদুসু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ২-২ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পূংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি কাওনখি। পেনাল্টিদা মোইরাং কোলেজনা নম্বোল এল সানোই কোলেজবু গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীরমখি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা ঙসি নুংথিল পূং ৩.২৫ তাবদগী সাউথ ইষ্ট কোলেজ কোমলাথাবী অমসুং প্রসিদেন্সি কোলেজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফতা সাউথ ইষ্ট কোলেজ কোমলাথাবীগী জর্সি নম্বর ১০ পিআর ওকান্তনা ওন গোল অমা চনবদগী প্রসিদেন্সি কোলেজনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা সাউথ ইষ্ট কোলেজ কোমলাথাবীগী জর্সি নম্বর ২১ সৈমিনলাল হাওকিপনা গোল ১ চনবদগী মেচ অদু গোল ১-১ দা লৈখি। মসিগী মতুং মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা প্রসিদেন্সি কোলেজগী জর্সি নম্বর ৭ থিংশাংনা গোল ১ চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পূংজা ফাওবদা প্রসিদেন্সি কোলেজগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা সাউথ ইষ্ট কোলেজ কোমলাথাবী মায়থীহৌখি। অদুগা প্রসিদেন্সি কোলেজনা গোল ২-১ দা মায় পাকখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com